ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# মেসিগী গোলগী মতেংনা অর্জেন্টিনানা অষ্ট্রেলিয়াবু ২-১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

## কিলিয়ান এম্বাপ্পেগী গোলনা ফ্রান্স ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনা পুশিনখ্রে





কটার,দিসেম্বর ০৪ (এজেন্সী):

মেসিনা মহাক্কী ১০০০শুবা করিয়র মেটচতা মীয়ামবু পুমশুম শুমহৎখিবগা লোয়ননা মহাক্না চনখিবা গোল অমগী মতেংনা অর্জেন্টিনানা অষ্ট্রেলিয়াবু ২-১দা চথুরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী থাংজ নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা অহমদ বিন অলি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অর্জেন্টিনাগী স্কিপ্পর মেসিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী ৭৮৯ শুবা করিয়র গোল চনশিন্দুনা নেদরলেন্দসকা ইরাই নুমিৎকী নোংয়াই মতুংদা ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংননবা শেম শাখ্রে।

মেসিনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনশিন্দুনা অর্জেন্টিনানা অষ্ট্রেলিয়াবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি। অনীশুবা হাফতা জুলিয়ন অলভারেজনা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

অষ্ট্রেলিয়াগী সবষ্টিটু্যট চঙলকখিবা ক্রেক গুদৱিননা ১৮ য়ার্দ বোক্স মপান্দগী শাফু কন্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা এঞ্জো ফর্নান্দেজকী মমায়দা পান্দুনা থক্তোরকপা বোলনা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৭৭ শুবা মিটনা অষ্ট্রেলিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং অষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী গোল হন্দোকপা য়াবা তাঞ্জা অমা অজিজ বেহিকনা ১৮ য়ার্দ বোক্স তম্না পুশিল্লক্তুনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা অর্জেন্টিনাগী দিফেন্দর লিসান্দ্রো মার্টিনেজনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি।

অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী অহুমশুবা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা লোটারো মার্টিনেজনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা গোল পোষ্ট নাকন্দা চৎখিবদগী অরেম্বা তাখি। এক্সট্রা টাইম লোইগদবা শুপ্নগী সেকেন্দ খরা ৱাৎলিঙৈদা অষ্ট্রেলিয়াগী গোল হন্দোকপা য়াবা তাঞ্জা অমা গরং কোলনা অর্জেন্টিনাগী দিফেন্দর অনী নাথৈরগা পুশিল্লকপা বোল অমা গোলকিপরগা ৱান-টু-ৱান পোজিসন লৈনরবা মতুং কাওশিল্লকখিবা বোল অদু গোলকিপরগী মখূৎতা পান্দুনা সেফ তৌখিবদগী অরেম্বা তাখিবগা লোয়ননা অর্জেন্টিনাগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

অমরোমদা, অল থুমামা ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাং শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা কিলিয়ান এম্বাপ্পেনা চনখিবা গোল অনীগী মতেংনা ফ্রান্সনা পোলেন্দবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীনা শান্নবা হৌরকপদা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী ওলিভিয়র গিরোদনা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা ফ্রান্সনা পোলেন্দবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ফ্রান্সকী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা কিলিয়ান এম্বাপ্পেনা শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা ফ্রান্সকী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

কিলিয়ান এম্বাপ্পেগী ঙসিগী গোল অনী অসি থারগা কটার ৱর্ল্ড কপ অসিদা মহাক্না পূন্না গোল ৫ চনবা ঙমখ্রে।

রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা ইঞ্জুরি টাইমগী ৯শুবা মিনটতা পোলেন্দগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি। গোল অসি লিৱান্দোস্কিগী হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপতা চনবা অনীশুবা গোলনি।

মায় পাকখিবা ফ্রান্সনা ঙসি নোংয়াই মতুং ইংলেন্দ অমদি সিনেগল অনীনা শান্নগদৌরিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী অকাবগা দিসেম্বর ১০গী নোংয়াই মতুংদা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

**ROUND OF 16 FIXTURE**

| | | |
|---|---|---|
| Japan vs Croatia | 5 December | (8:30 PM) |
| Brazil vs South Korea | 6 December | (12:30 AM) |
| Morocco vs Spain | 6 December | (8:30 PM) |
| Portugal vs Switzerland | 7 December | (12:30 AM) |


**QUARTER FINAL FIXTURE**


| | | |
|---|---|---|
| Netherlands vs Argentina | 10 December | (12:30 AM) |
| France vs England/Senegal | 11 December | (12:30 AM) |


৬০শুবা মিষ্টর মণিপুর

# চীঙ্খৈঙানবনা জুনিয়র ওভরওল টাইটল লৌখ্রে













ইম্ফাল,দিসেম্বর০৪(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (অম্বা)না শীন্দুনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটরদা ৬০ শুবা মিষ্টর মণিপুর ষ্টেট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট পাঙথোকখিবগা লোয়ননা রোয়ল ফিটনেস একাদেমি থৌবালগী চীঙ্খৈঙানবা অথোকপমনা জুনিয়র ওভরওল টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মহাক্না জুনিয়র কাঙলূপকী কেজি ৭৫ মথক্তা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ফ্রেন্দস ফিটনেস জিমগী লোংজম এলিসন মৈতৈনা জুনিয়র ওভরওল রন্নর্স অপ অদুগা আর সী সী বোদি বিল্ডিং য়াসকী রিভাল্ডো অথোকপমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মাষ্টর ওভরওলদা ফ্রেন্দস ফিটনেস জিমগী বি বেদকুমারনা অহানবা, এক্স ফিটনেস ৱাঙ্খৈগী হৈস্নাম ফ্লন্দ মঙাংনা অনীশুবা অমদি জিম অসিমক্কী লাইশ্রম মোধুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

বি বেদকুমারনা মাষ্টর চহী ৪০দগী ৫০, হৈস্নাম ফ্লন্দনা চহী ৫০দগী ৬০ অমদি লাইশ্রম মোধুনা চহী ৬০ মথক্কী কাঙলূপ্তা অহানবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ কাঙলূপ্তা রোয়ল ফিটনেস একাদেমি থৌবালগী নাওরেম জয়ন্তনা অহানবা, বিষ্ণু জিম বিষ্ণুপুরগী অহোংবম ননাওনা অনীশুবা অমদি সুপর জিম খুরাইগী অর্বিন্দ কুমার ওইনামচানা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

জুনিয়র কাঙলূপ্তা লোয়া জিম ময়াং ইম্ফালগী এম রাহুল মৈতৈনা কেজি ৫৫, হ্যুমেনিটি প্লস জিমগী অরুবম অঙানবা মৈতৈনা কেজি ৬০, আর সী সী বোদি বিল্ডিং য়াসকী সকিবুর য়ুমখাইবমনা কেজি ৬৫, ফ্রেন্দস ফিটনেস জিমগী লোংজম এলিসন মৈতৈনা কেজি ৭০ অমদি আর সী সী বোদি বিল্ডিংগী রিভাল্ডো অথোকপমনা কেজি ৭৫গী অহানবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

মেন স্পোর্টস ফিজিক কেটগোরিদা আর সী সী বোদি বিল্ডিংগী ৱার্শিম চেসমনা অহানবা, বি ফিট জিম হৈরাঙ্গোইথোংগী মঙাল অরাম্বমনা অনীশুবা অমদি লাইফষ্টাইল ফিটনেস জিম সঙাইপ্রৌগী অতোম জেক্কিনা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

ৱিমেন্স মোদেল ফিজিক কেটগোরিদা রোয়ল জিম্নাসিয়ম উখুলগী সোলিমলা জাজোনা অহানবা, মসল ফেক্টরি ককচীংগী টি ঐচ রিশিকানা অনীশুবা অমদি গোল্ড জিম শীংজমৈগী থাজ সেরামনা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

ৱিমেন্স বোদি বিল্ডিং কেটগোরিদা ফ্রেন্দস ফিটনেস জিমগী ইঙুদম কবিতা চনুনা অহানবা, রোয়ল ফিটনেস একাদেমি থৌবালগী লৈশাংথেম সরিতানা অনীশুবা অমদি সুপর জিম খুরাইগী করিশ্মা চিংঙাংবমনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা জিম ৬৬তগী লাকপা এথলিট ২৫৪না শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী দি জি পি, পি দোঙেলনা অথোইবা মীথুংলেন; অম্বাগী প্রসিদেন্ট এন রতননা থৌরম মপূ অদুগা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম, য়াসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর টি থৌবা, ববিনা গ্রুপসকী চ্যেরমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর ডা. টি ঐচ ধবলি, কোমেট স্কুলগী মেনেজিং দিরেক্টর ইরোম উমাকান্ত, ভিন্টেল ইনফ্রাকোম প্রাইভেটলিমিটেদকী দিরেক্টর ভিন্সেন্ট নামৈরাকপম অমদি ফিটনেস ৱর্ল্ডগী প্রোপ্রাইটর অঙোম কর্ণনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অনীশুবা অম্ফা কপ

# মাংলিয়ানথাংগী গোলনা সিম্পোরিয়া চাওনা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর০৪(ঐচএনএস):

মাংলিয়ানথাং সিমটেনা চনখিবা গোল ৪, পিটর খুমরোলিয়াননা শান্নবগী ৩৮ অমদি ৬৭তা চনখিবা গোল ২ অমদি পোল পাওমোননা শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা সিম্পোরিয়ানা লিৱা চনিং য়ুঠ কলচরেল ক্লবপু লাকচনা ৭-২দা চথুরিবা ২শুবা অম্ফা কপকী ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

মালিয়ানথাংগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ১১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী চনবা ঙমখি। মহাক্কী মরিশুবা অমদি মায় পাকপগী ৬শুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৮৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

লিৱা চাংনিংগী গোল ২ অদুনা এস কেবুংহোং লমকাংনা শান্নবগী ৯ অমদি ৮৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা লাংচিং য়ুঠ গেমস সোসল এদ্যুকেসনেল এন্দ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (এল ৱাই জি এস ঈ দি এ)বু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

লুংগুনহাওনা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা মিনটতা কে এস সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সিংদৌলেননা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা কে এস সীগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। হাওটিমসেমনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮১ শুবা মিনটতা কে এস সীগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

হেনগৌমাংনা শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা এল ৱাই জি এস ঈ দি এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি।

২৬শুবা ৱিন্নর্স কপ

# কে এফ এনা ৱাই দব্লিয়ু য়ু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৪(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা দবল লেগ বেসিস্তা চথুরিবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিএল ২৬শুবা ৱিন্নর্স কপ ঙসি কাংপোকপীগী ফাইহেল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা হোম টিম ওইরিবা কুকি ফুটবোল একাদেমি (কে এফ এ)না য়ুঠ ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন (ৱাই দব্লিয়ু য়ু)বু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। কাইখোকাম গুইটেনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা হোম টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি হেমন্তনা হোম টিমগী শান্নরোয় ৩ য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ৫ য়েলো কার্দ অমমম্বূক তৌখি।

# মার্টিন অমদি রিশব পূক্লিং থৌগৎখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর০৪(ঐচএনএস):

লক্ষ্ণৌদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়োনেক্স সনরাইজ ৩৪শুবা সব-জুনিয়র অন্দর-১৩ নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী বোইজ দবলসকী ৱিন্নর ওইরকখ্রবা ষ্টেটকী শান্নরোয় মার্টিন ইঙুদম অমদি রিশব ঙাঙোম অনীবু ঙসি মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা চ্যের লৌদুনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

ষ্টেট জুনিয়র বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট

# এ এম আই এম ৱাই দি ও-এ অমদি ঐচ ভি এ ফাইনেলদা থেংনরগনি


ইম্ফাল,দিসেম্বর০৪(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা মাইবম কোঞ্জিল সোসল প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা চথুরিবা কোংখাম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা এ এম আই এম ৱাই দি ও-এ ময়াং ইম্ফাল অমদি ঐচ ভি এ হৈক্রুজম অনীনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা এ এম আই এম ৱাই দি ও-এ ময়াং ইম্ফালনা এস সী ৱাই সী সেঞ্জম চিরাংবু সেট ৩-০ (২৫-২৩, ২৫-২২, ২৫-২০)দা অদুগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা ঐচ ভি এ হৈক্রুজমনা য়ু এন টি তোক সিফাইবু সেট ৩-০ (২৫-১৬, ২৫-১৯, ২৮-২৬)তা মায়থীবা পীখিবনি।

অতোপ্পা অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অনীদা এস সী ৱাই সীনা এস দি সীবু সেট ৩-০ অদুগা য়ু এন টিনা এ এম আই এম ৱাই দি ওবু ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 649**

F. Holzke (2478) - Ma Lyell (2194)
ACT Open Amsterdam NED (4), 2005.07.19

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 f5 4.Nc3 fxe4 5.Nxe4 Nf6 6.Nxf6+ Qxf6 7.Qe2 Be7 8.Bxc6 dxc6 9.Nxe5 Bf5 10.O-O O-O-O 11.d3 Rhe8 12.f4 g5 13.Qf2 Rd5 14.d4 g4 15.c4 Rdd8 16.Bd2 h5 17.Bc3 Qf8 18.b4 Kb8 19.Qb2 Ka8 20.a4 h4 21.a5 a6 22.b5 cxb5 23.cxb5 Rd5 24.bxa6 bxa6 25.Qe2 Rb5 26.h3 gxh3 27.Qf3+ c6 28.Rfe1 Bc8 29.gxh3 Bd6 30.Kh2 Bxe5 31.Rxe5 Rexe5 32.dxe5 Rb3 33.Qxc6+ Bb7 34.Qc4...

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 648 Ans. :**
20. Rcd1 The white rook attacks Black's queen, which is defending the square d8. Qb5 21. Qxf7+ The white queen deflects Black's rook away from protecting the square d8. Opening the line from d8 to g8. Rxf7 22. Rd8+ Qe8 23. Rxe8+ Rf8 24. Rfxf8# Back-rank mate
24. Rexf8# Back-rank mate
1-0

# ঈ সর্টিফিকেট কোর্স লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৪(ঐচএনএস):

দি এস এ চান্দেলনা হোষ্ট ওইদুনা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী ঈ-সর্টিফিকেট কোর্স ঙসি চান্দেলগী মহা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট হায় সেকেন্দরি স্কুল কমপ্লেক্সতা লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা চান্দেলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ময়াংলম্বম রাজ কুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা দি এস এ চান্দেলগী প্রসিদেন্ট টি এস চান্নানা ফোঙদোকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ফুটবোল কোচশিংগী ঈ-সর্টিফিকেট কোর্স পাঙথোকপগী খূদোংচাবা পীবগীদমক অম্ফা অমদি এ আই এফ এফপু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোর্স অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফুটবোল চাউখৎপদা অচৌবা মতেং অমসু পাংলগনি হায়খি।

# থেন, গুলুনা মেন্স দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৪(ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ পিপলস ৱেলফ্যের এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙসি ইবুধৌ পাখংবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা অহানবা কেশ প্রাইজ মেন্স দবলস এন্দ ভেটরান দবলস নন-ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা থেন অমদি গুলুগী প্যেরনা মেন্স দবলসকী ৱিন্নর অদুগা নেটাজিৎ অমদি রামান্দগী প্যেরনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

ভেটরান দবলসতা রেগাল অমদি ৱিলিয়মনা ৱিন্নর অদুগা ইনাওবী অমদি রোনাল্ডনা রন্নর্স অপ তাখি। থৌরম অদুদা লংথবালগী এম এল এ করাম শ্যামনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# গোল্ড মেদলিষ্ট হোমেশ্বরী তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ০৪(ঐচএনএস):

কোলকাটাগী বাইসাকি সঙ্ঘ কালিঘটতা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা দব্লিয়ু এম সী ইষ্ট ইন্দিয়া টাইটল বেল্ট, দব্লিয়ু এম সী ইন্দিয়া রেঙ্কিং সেরিজ ৯দা গোল্ড মেদল লৌরকখিবী হোমেশ্বরী খাইদেমবু ঙসি ক্লব ৩- ভি আর ও, আর য়ু সী ও অমদি লমদেং ময়াই লৈকাই য়ুঠ লাইব্রেরি ক্লবনা শীন্দুনা লমদেং অৱাং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

হোমেশ্বরী লমদেংদগী খাইদেম ইঙোবী অমদি খাইদেম খোমদোনবীগী মচানুপীনি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা লমশাংগী এম এল এ সোরোখাইবম রাজেননা ফোঙদোকখিবদা, লমদেং খুলদগী শান্নরোয় অমনা মেদল পুরকপা ঙম্বা অসি য়াম্না চাওথোকচৈ। ষ্টেট অসিনা হীরম খূদিংমক্তা শোত্থজরবসু শান্ন-খোৎনবা অমদি কলচরনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎলিবা অসি ঐখোয়গী চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ষ্টেট অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা ৭শুবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপা ঙম্লিবা অসিসু ষ্টেট অসিগী পোলিটিসিয়নশিংগী ক্রেদিট নত্তে, শান্নরোয়শিংনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা মরিল লৈনা শান্নবা ঙম্বগী মপালদগীনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ভি আর ও ক্লবকী প্রসিদেন্ট এ তোম্বনা থৌরম মপূ অদুগা এম এম এগী কোচ ফ্রেঙ্ক মঙাং, এম এম এগী চ্যেরমেন মৈরাবা অয়াম, চাইনবগী চ্যেরমেন পি ঐচ উমাকান্ত, আর য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ লোকেন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।


# LOAN AVAILABLE

ইনৌ নৌনা Two Wheeler/ 4 Wheeler / 3 Wheeler গী Workshop, Spare parts, Tyre Workshop, Parts Delivery Service অমসুং মখল খূদিংমক্কী 2 Wheeler / 4 Wheeler / 3 wheeler মরী লৈনবা Service খূদিংমক্কী Loan লৌবীনিংবা মণিপুরদা লৈবা মীওই খূদিংমক্কী 5 Lakh to 50 Lakhs খূদোংচাবা লৌবীবা য়ারগনি।

N.B. :- 2 Wheeler / 4 Wheeler গী Mechanic 3/3 পামজৈ।

Sd/- L.G. Motor Finance
Khagempalli, Imphal West
# 9774495994 / # 8731978490

HL-B/7893/13/12-12/-1


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com